


লেইচ লৈঙংথ

সন্দাই সৌরেত্



কৈকল্ সনাহোত্তুব মণ্ডাণ্ড


IMPHAL

সলাই সৈরেং



অইবা কৈথেল্লাকপমচা সনাহোঙবা মঙাং




কংলৈপাক লোইনসিন্নোন্ অপুন্ব মরুপ

(কলম)

ময়ায় সঙ্লেন্ নিতাইনন্দ মসাইকোল

রিমস রোদ, ইমফাল


UNIVERSITY
6012 / Gryft
IMPHAL
28 4 06

ৱেইফু লৈশাংথেম সনাই সেরেত

সেরেং '৪৯' গী লাইরিক

ফেৎঙজবী ঙাসোয়াপম নিংঙোল বাইখোম তাবী

ঙাহুইবী লৈমন 'কলম' গীদমক

যৌঙদোকচব ।।

ফোঙদবা চহী চৈচত ০৯-০২-২০০৪

ফাইবেল ১৮, মলিয়া কুম ৩৪০০ ।।

লাইরিক মসিং ৫০০

লাইরিকগী মতম অফোঙবী

DATA ENTERED

BY

মমল রু ১০

লাইরিক ফংফম 'কলম' সগোলবন্দ

নমফম পাঙ্গম্ব প্রিন্তরস এন্দ ষ্টেসনরজ ১দি (তেরা)

সি সি পি কম্পুটরাইজ প্রেস

(সগোলবন্দ)

লোয়নসিদ্রোনগী অনৌব লামায় অমদ

কৈথেল্লাকপমচা সনাহোংব মণ্ডাঙন ইব "সনাই সৈরেত" কৌব লাইরিক্কী সৈরেতসিং শারে ।। কংলৈপাক্কী লোয়নসিদ্রোনগী তাইবঙদ অইব অসিন মমালোল নংসিজব অমদি মমালোলগী চহি ৫০০০ হেন্না লৈরক্লব সক্তম অসিবু পরিং মাঙহন্দন য়াওল অম পুরক্লিংবগী য়ুমফমদগী পুমনৌ নৌব লামায় অম হাংদোরক্লিবনি হায়ব অসি হেক পাবমক্তদ খঙই ।।

অইব অসিগী ফোঙদোকপ্পব খুতই কয়া লৈখ্রে ।। ফম্বাক কুমহৈ কয়াদ কুমহৈরোয় ওইনস্যু সরুক য়াম্লবনি ।। মসাগী ফম্বাক কুমহৈমকস্যু মসান লমতাকপ ওইদুন পুখোকখ্রে ।। অইব অসিন কংলৈপাক্কী লোয়নসিদ্রোন্দ অনৌব লামায় অম অইব কনান অমুক্ত খুত থাখিদ্রিব সৈরেতসিংগী সৈওং অমগী সক্তম লাংলক্তুন নৌন খোঙদারক্লিব অমদি মাঙজিল থান সৈজেল কয়াদ সরুক য়ারকখ্রব লোয়নসিদ্রোন লোয়সিংগী মখুবাক্ত খুদোল তমলিব অসি সৈরেংগী

লাইরেম্বী অম লৈরম্ব তারবদি পুমনৌ নৌব নাচোম অম ঈমা অদুগী সাইনোন্দ থেতলবনি ।।

খোলহায় তরেত তরেতন লেং লৌরগ লেংলৌ তরেত তরেতন লোংখুরৌ চন্দুন লোয়নসিন্নোনগী লাইরেম্বী লাইবুঙদ থৌগল তৌরক্লিব মৃক্লা লেংফাইগী মহাও অদু তংহম্লিব সৈরেত্সিঙ অসিগী মহাওনি ।। কবোক নাচল তরেত চমোল অমগী নোঙজা তরেত হিদেন তরেত্কী ঈসিং , লুকমায় তরেতকী কবোক লংজা তরেতন তাব লাংপুম্লী লাইনুরা তরেত , হৈরম তরেত , লৈরম তরেত তরেত তরেতকী তরেতলোন অসিগী থক্ত ইম্মাব সলাই তরেতকী নোংদমখোলদগী পোক্লকপ তরেতত মুমফম উরেপ হন্নকপ "সলাই তরেত " মিংহন্নব তরেত সেনপুং মখোলন পুমনৌ নৌন হাংলকপ তরেতথোঙনি সৈথোঙনি ।।

কনা কনানোসিংন মীগী ইংখোলদগী লৈপাক লৌরগ "ঐগী যুম্ ফজবনি" হায়দুন যুম্‌ফম খোঙরিব তুফক তুফাই চন্ন লেপলিব লোয়নসিন্নোন্‌গী যুম্‌জাও পরেংসিংদুন্দু নততি ।। অনৌব খোঙ্জেল অসি সমপতন য়েন্নিং খোঙ্জেলনি অসুম্ব হুন্নলিব য়েন্নিং অসি মীরেবাকী নুংসিততগী লৌব লৈহাওদুদগী নততে অরিব মরাদুন চুপ্‌খতলকপ লীরব লৈপাক কংলৈপাক অসিগী লৈহাও অদুদগী হুন্নকপ য়েন্নিংনি , য়েন্নানি ।। নৌন হুন্নকপ য়েন্নৌ ওইবন সাজৈ পায়বসিংন হাইগততুন কনখতনিংলম্বন্দ্র মাই ।। অদুবু খোঙ্জেল মুক্‌সনসিংন কন্‌খতপনদি কেন্নোই লিরব উপালগী য়েন্নিংনি, চাউরে বাংলে , ওন্নে ।। কাখতলকপদি বাগনি , তারক্‌পদ তেক্কদব অদুসু খন্দ্ররক্কনি ।। অরিব লোয়নসিন্নোনগী উপাল্ অসিদ অরিব লৈহাওদগী অসুম্ব লেপপ লৈতন য়েন্নিং হুন্নকসনু , মনা পুঙলক্কসনু, ঈসিং চাইবীনব মখোঙ সোম্বীনব করিগী মসিং বাতল্লগনি ।। লমসোম্দ কলম ন চংসিন্নক্লিব খোঙথাঙসিগীদমকন্দ্র

পুক্নিং শুম্ন ফাওই ।। অইব অসিদ পুক্নিং থৌগতপশকন মপুং ফাব ওইদে মথবায় হাপ্‌পিফম থোকই ।। অসুম্ন সমপত বারোই অসি থমজগে ।

চৈচত ০৫-০২ ২০০৪

ফাইরেন ১৪ শ্রো ঙারিয়াম্বমচা কাংজীয়া মঙাং

মশিয়া কুম ৩৪০০ ফোরমর মাইচৌ পুরেল সনাকোনং

ইমফাল

বাহৈ খরদং

অইবগী লুপ ওইবন অইবসিংগী পোতথোক খর থমজবগী পান্দমদ বারী মচাগী লাইরিক অনী সৈরেংগী অনী পুবারীগ মরী লৈনব অম পুন্ন মণ্ডা ফোঙখ্নব তুংসিদ হন্দক কলাম গী প্রসিদেন্ট ওইরিব ইকাই খুম্নরব উজা কৈলশ সনাহোংব গী সৈরেংগী ওইনদি অহুমসুব অপুনবগীন তরুক সুব লাইরিকনি 'সল্লাই সৈরেত' ।। খোলহায় তরেত তরেতন সাব পরেং তবেত তরেতকী সৈরেং নিফুমাপনন সাবনি ।। লাইরিক্কী মসা পিকই । চতনরিব লাইরিক্কী পাক চাউরিবদ্দ নম্বদ্ চতনবীগী ঈরোল্লনুংদ হিংলিব ঐখোয় পুম্বনদি পাম্লে । হৌজিক মতমসিদ লাইরিক ফোঙব থোইদোক্ল সৈরেংগীদমকতি কুম কাংলিব কৈথেললনি । পাহল্লিংবদসু পানিংবদসু মমল্লন সম্বল্ খারিবনি । মসা মউ তাসিন্ন সৈরেংসিংগী সুপচিনব কায়দোংফম অপিকসানি

ফুরিডখাউদ হরাও হরাও সাগোম্রজব যাব। পেনবীহেব ইরৈচাসিংন পেনবীগনি নিঙউজে। অনৌব লাইরিকসিগী মরমদ বারোল্ খরদং থমবীনব হায়জরুবদ উজা ইবুংঙো শ্রো কাংজীয়া মন্ডাং, ফোরমন্ মাইচৌ পুরেল্, সনাকোনুং রোয়েল্ কাউনসিল্. ইমফালন হরাও হরাও তৌবীরকপগীদমক উজাবু থাগতচরি। লোয়নন তেংথব চিংখ্রব মতম্দ লাইরিক ওইন উহনবীরিব পাঙগনব প্রিনতরস্ এন্দ ষ্টেসনরিজবুস্ থাগতচরি।

হৈরোক

চৈচত ০৭-০২ ২০০৪

খুন্দোংবম ইহিক্রেন থাঙাম্

(ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম)

থৌবুরেল

'কলম

ꯁꯩꯔꯦꯡ ꯁꯤꯡꯂꯨꯞ

অথেলপোত্

ঈমা ঈপা খুযাখা

মাইচৌ তরেত্ লাংওন্সিং

সেম্বী-সাবী নমজিংসিং

ঙাকপি-সেম্বী পাম্বোমসিং

ঈরুপ্-পীজা খিবিক্সুং

ঈরোল্ ঈয়েক্ ঈরুপ্‌লোই

ঈরৈবাক্ত কতচবি ॥

ꯃꯇꯦꯡ ꯄꯥꯡꯕ

কৈথেল্

কৈরোয় পুম্ব থেল্ কৈথেল্
থেঙ্গি মালেম্গী অরৈ মখে
থেন্সি অবাত্ মখেসু
সাওম্বেসু মথেল্সি
কৈথেল্ নুঙন সাখিব
হনুমান্সু মথেল্সি
মোংবহন্দি থনম্সি ।।

ꯃꯇꯩ ꯂꯩꯕꯪꯛ

চৈরেদুগী মরাইবক্

মতম্ চঙুন সঙখ্রব

মচু হান চুখ্রব

চাম্থোক্ কোক্হন্ ওখাক্ বায়

উতীদ তিঙ অসুম্ তিঙ

ফৌর সুর ফৌর সু

কোক্প্র য়েংন মসুঙে

সেগায়রক্ হুন্দোক্ মতায় ।।

লেইচা লৈরাংথ

থেংনদ্রিব

ওসি নুমিদাংবাইরম্
লাংদাইগী নুমিদাংবাইরম্
থুপ্খরদৌ অহল্সিং
খাবু চিক্ খোইদৌবু ফুক্
ঈলেল্ ওইদৌ মসুবু
চৈসু পায় কোয়থি থিরি
মাইকৈ থুং কোয়কৌ কৌরি ।।

ꯂꯩꯇ ꯂꯧꯕꯥꯡꯆ

সোইনাইব

বাসন্তী হেক্ মনঙ্গন

লৈঙাক্লোইহি মযাম অম লৈ

অপিক   অচৌ খোংবানসিং

ওক্লোক্হি অখু - অবাও

সিবু করিগীদমক্নো

ফম্বাল্থক্তুং উববা

ফম্বাল্খোঙদি উদরা ॥

ꯃꯩꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛ

অখাঙব মনু

মৈ ঈসিং নুংসিত লৈপাক্
অতিংঙা ঙা সা তবেত
মীন মহিক্ ঙা সানি
তবেত্কি মনু তবেত্
মীগীসু মনু তরেত্
খ্বাই তবেত্কি মনুংদ
মীগীন ইখাঙ খাঙই ।।

[illegible]

অপিসা

পিক্লব লৈবিক ঈবিকসিং
সাংল লৈই চিংলকই
ইরেল ঈপাক সেম্লকই
হক্ল মপুম ওইবকই
মৈবিক মৈজাও হৌবকই
নুংজেং অপিসা নোক্লি
কাওদ্রুম হান্তে হল্লক্লি ।।

ꯃꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛ

যাওল্লৌই থম্বাল্

ঈবোলনুং ওংবী থম্বাল

ইবোম্ সাগে মৌ থম্বাল্

পামেলথক্কি উ থম্বাল

পামহৈবনাক্কি থম্বাল

যাওল্ ঈহৌ লুচিংলেল

থম্বাল নৈমবেল্ থম্বাল্

টীংদ তম্দ সাত্হৌবি

[illegible]

সোন্‌জু

মীখা পোম্ব হাযবসে

ওম্লোক্লনু মসোন্‌জৈ

ওখাক্লসু পাওজদে

থনুংযাও থমাযবসে

ইকিদ কি পঙকিদ

ঈমা মসক্‌ খঙলক্রব

ঈসিং' পন্‌' ঙা ওইববোই

ꯃꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛ

মখোযদি মথৌ তৌবি

কৌবরু চীংজাও অসে

লেপ্লিবনো কবিগী

মালেম মাঙদ থেম্নব

যেংলি পুরাবি ইব

ঙাইহরি ফিবাল য়ুংলব

যেনহৌঙে চীংমী তম্মী

হনজিনমিন্নবক ঙাইবি ।।

[illegible]

তোল্লিব থৌদাং

মাঙ্‌লক্‌ঙৈ লেমহৌববা
মান লেম্ম লেপ্‌ফম্লা
লৈন লৈন মকোযব
লৈপুঙ সান মতুম্‌তা
কাংলোন্‌ তাইবঙ পাউখোঙলা
কংলৈ মাইচৌ খিবিক্কি
ফোঙলক্লব নাসোম্না ।।

[illegible]

মৈহেকোল্

তুংগী যুম্বী যোক্লকোল্
করম্ মখোং সোম্লিগে
করি ঈসিং চাইরিগে
কদাযদে লৈহাও হাপ্লিগে
মাঙগী বা তাব নখোয়
হৌজিকসি খঙল নখোয
তুংবু উবক্র নখোয
তিংলো লংলা কুরু হন্ ।।

[illegible]

মীনাই ফুঙ্গা

ফুঙ্গাগী যোত্সবীসে

মখোঙ্ অহুমদ লেপ্লি

অমন মিকপ্ থোকপ

অমন চাওখৎলকপ্

অমন পন্থুংফমদ

মহে লোক্ন পোখাব

মীগী ঙাক্ মওইখিব

ꯃꯩꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛ

তাও

তুমিন্ন তুমিন্ ,তুমিন্
থৌসিরক্পু থৌবাংসি
ঙাওনু চৌইনু মিত্-নাবু
লাই খুত্সাংবী মসাংনু
যিম্রুপ্ খুম্ম মরোত্নু
মফম্ মতম্ মরম্ য়েং
লাংদাই কাংসি থৌরকউ ।।

মচৈ মঁচাংপ

লাই

খোয্যম লাই কৈদন লৈ

ঈসাগী লাইবক্ত পক

ঈথন্মোযাদ লাইয্যম ওই

মম্মীকোন লাইজ ইবেন

লৈবি নাপত লাযন লাই

লাইব খণ্ডব মাদন

চেইনজৈ লৈতে হাযন ।

ꯁꯇꯄ ꯁꯩꯔꯦꯡ

মতম্‌সি মওইবক্রে

কংলা সুরুংগী মৈজাও
মীতন্‌ উব খাম্বী মৈ
মুখত্‌পিখিব মাইচৌ
হে চিংউ খোংনাংথাব
লকানুংগী খাম্বী মৈ
মপান্‌থোক্ক চারুক্রে
নঙগী লাংওন্‌ কৈদনো ।।

ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛ

ইঙেল্লে

তাইবঙ হক্‌সাং মনুংগী
সমু চীংসাং মাপল্‌গী
নাপোম্‌ ঙাল্ল সাত্‌লিবী
পুক্লিং লৈরাং ইঙেল্লে
পুন্সি ঈনুং ঙাম্নলে
হক্‌সাং লৈখোক্‌ লোয়বক্ল
ওইখি নঙন অতিংঙা ।।

[illegible]

ঈনাৎ

বাংমগীন বাংমনি

ঈবম্‌গীসু বারীনি

নাত মীনাৎ মনাৎ-ঈনাৎ

সাবদসু চবৈ ফি

ফাবী নাৎ-মথঙ-মথঙ

ঈনাৎ তেম্‌থেং যৈদুন

সাবসি নীংথা ফিরেল্‌ ।।

লেইশ লৈশাংথ

লাংতাই থবা

ইবঙগী ইবেম্মও

নবুঙ তবেত হল্লাকএ

লাখলগী পৌবোল মসা তলোংদে

নিংঙোল মায়খুম হাংলোনে

কৈবোযলক্কি হনবী

খুল্লোন্নবে কৈওইব

লৈবোল চল্লনি ঙসি ।

লেখা লৈশংথ

অঙাওলাই

সাগী মতু হৌবক্প

অমম্বদ মীত্ লংলকপ

যাসিং হুইয়া ওল্লক্প

বাঙাং খোন্ন নিল্লক্প

থোপসিং মহু চেল্লক্প

মীওইববু উবগ

গীমান্নদবদো উংলি ।

ꯅꯆꯥꯒꯤ ꯄꯦꯅꯥ

নচাগী পেনা

খোংদ্রে ঈমা পেনাসে

মেংলা চৈজীংখোল্‌হেকন্ন

লি বি লি খোজেল খোক্রে

পেনা লায়বমদ্রে ঈমা

থমাইখুব থম্মোইসে

সেংদোক্‌পিবো অমৃতং

নিংসিংহম্মীবো বি - লি

ꯃꯩꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛ

কুই

ঐন ঐ থিজবক্‌প

কুইবক্রেদ কুইবেকো

মতম্‌দদং কুইদেকো

ঐসু কুই লম্বীসু কুই

খোইযুম্‌ লাইসু মীসু কুই

মীসু লাইসু ঐদি ওই

অদুননি কুইবিসে ।।

ꯇꯦꯛꯁ ꯇꯣꯕꯪꯐ

তান্নখা লাইফম্

মবাল্ চৈবাক্ ফংলসু

লাযথুং লাযনা কোক্পিন

সান্নিদাস ঙাক্পিখিবগুম্

মনাত্ মীবায মচাসিং

কনা নত্তে কুবিযু

হে থৌজাল্গী তুংনফম

তান্নখা পুরুক সৌবী ।।

ꯃꯇꯦꯛ ꯃꯣꯕꯪꯌ

অখেঙবগী মীৎ

ঙন্ন পাঙখিব মীত্‌তো

উদ্রবদ যেংনিঙব

উইসিন্ন লেনজরকখি

কুইববগী তুংসিদ

ঙবাং হযেং লাংদাইদ

ঈবা চেন্ন পাঙলক্‌খি

যেংনিঙব উরনি খন্‌ ।।

[illegible]

লাংগদব লৈবাং
নোংম ঐন চতলুই স্নুম্
মপু মাগী মনাক্ত
খোইদাবীব হৈ - লৈ
ঈপুরোইদ হংজরুই
পুক্লিং লৈরাং ওইরম্মী
চত্লুবন বা হংন
লত্নবীরে ইপুক্লিং ।।

[illegible]

যেল্

ঈরিক ঈসেং ঈগী যেল্

উপালগীসু যেল্ উয়েল

বাপালগীসু যেল বায়েল্

মতম্গী যেল্ যেল্হৌঙৈ

কুমসিং তাইনযেল্ লাকয়েল্

ঈমু মযোল্দ্ব ঈয়েল

মহাক্কি খ্দোলনি যেল ।।

[illegible]

কুম্সুলৈ

সজিবু লাক্যেল তাইবক

কুম্জা মাল্হৌনরকণ্ঙে

থাজ তেক্হৌনবক্ণ্ঙে

কুমথা ওইরে খঙহনলৈ

কুম্ সুরগ সাত্চ নৈ

চৈরাও যাওদ যাদ নৈ

নৈরাং নমল্ মাঙনোইকো ।।

[illegible]

অহান্ব খোঙথাঙ্

তম্নপনি ইহৈসিং

…নিসিসিগীদমক্লি

ইবৈপোক্কীদমক্লি

তৈপাল নৈপাল্ চাব সেম্ব

…কংলা অসিদদি

…ম্ব ওইবে ওইবে

…দৌনি হৌজিক ঐখোয ।।



[illegible]

নিজব

হে চত্‌খিগদৌরসিং

মতম্‌ কুইনঙৈদগী

ফিজি কিসি কিবিরক্‌

লোক্‌সিন্নীন পুবিরক্‌

অহিং মিত্‌সেন্‌ খাঙবীন

সেন্নবীরক্‌প লন্‌গৈ

সিন্নবীরম্মু ঙসী ।।

[illegible]

কবম্ব নহানো

নৱম লাইনিং লাযথোকপ

নবোল নযেক মেতনব

নবৈবাক মিং রাযন কৌ

ননাত নেতন নোক্লিব

নসা নসাক খুঙজদ

ন ঙক সাংন ঈস্নোকপ

পনেম তমপাক নম্ম'বা ।।

[illegible]

অচম্বগী চম্দব

মীচম্ম দোলাই সাই
ফম্নাই তুনাইবসু সেম্মী
লীচে বাসাসু খাংই
মযাদ হক্কদৌসিং
থেন্দুন থম্ কথোক্ই
অদুদৈ দোলাইদ থাঙ্গৎ
ওক্খ্র-চমখ্র মীচম্মি ।।

[illegible]

মী ওন্নিংব

খুন্নাইগী থৌগল্ কাংলোন্

তম্বীর হৌন লোন্চত্

মী ওন্নিংলক্লে অসুম্

মী মখে সারম্চত্ চত্

ঈহিং তোংসা মখে চা

ইসরুক্ ঈনাত্ মত্পী

সা ঐখোয মী ওন্নিংলক্লে ।।

ꯂꯩꯃ ꯂꯩꯕꯥꯛ

নুংঙাইব

হক্চাং পোনখা: পান্দ নৈ
যাইবী থবায •ংদ নৈ
চেক্লাচান মহম্নুং
চীন্দম্বিব ঙাইবগুম্
ঙাইরি থবায পোম্বীন
মিংসেল ওইনজ নুং-পান
নুংদ ঙাইরি অপাম্ব ।।

[illegible]

কাওসিং

ঈসিংচান ঈসিংদ
কম্মু সান্নৌ যাদন
ঈবাক্লনি মিপাইব
কংফান ঙাযোক চফুনুং
ইবেনবুংনি খনজব
চাকথাক্লাই চবা তমখি
নরু কাওসিং তাউথনি ।

ꯃꯇꯩꯗ ꯃꯣꯕꯥꯡꯎ

হুঁই ওম্ব

কৈনো কৈনো উরগ
দোলাইথক্তে চোংথব
মনম্ নম্ব কম্বন
সুত্ সুত্ নম্ম থিগম্ব
তাঁওব হুঁইগুম্ নহাঁসিং
থিরি চৎনবী মপৈ
হাত্লি মনাত্ মৌনহন্ ।।

ꯁꯩꯔꯦꯡ ꯂꯩꯗꯥꯡ

মপান্ নাইদব

কোবৌবু বাংন থারম্

মালেম্বু নেমন সেম্লম

উদ লৈই চিংবীবম্

তেংপাল্ তাইবং খাযবীরম্

হুকসাং অম মনুংলম্

হক্চাং অম থম্বীরম্

কৈদৌঙে ফোঙ্নি কেকু ।

[illegible]

বাহং

মীত্ত চক্ চক্ থিন্দ্রিফাও
উদ্রিসিবু করিনো
না সেগায়ন লাউদ্রিফাও
তাদ্রিসিবু করিনো
নামৈ মৈন বায়বফাও
নাখোক্লিবু করম্নো
মালেম্ লুম্ম মচারা ।।

[illegible]

খুবাক্ খুনম্

লৈসিংবু তাইফেত্ তাইহন্

খোম্জিল্লি লৈহী খোইন

খোইহি খোইবা যাম্থর

খোই মাবু ঈবাত্ থৌনি

নোংম মীন লোক্ঙৈদ

লৈ খবন হরাওজে

লৈ খবন বাকত্চৈ ।।

[illegible]

কাংলোন্ মিংখৈ

অহোবস্ নৈতব

অহাঙবস্ মওইব

মনুঙস্ মফুল্লিব

লমদ্দ সান্নবিব

সনামহি মিংখৈনি

চিকমাঙন হল্লকহন্দ

মদুস্ মিংখৈ অমনি ।।

ꯃꯇꯩ ꯃꯧꯕꯪꯄ

হাপোইনব

পোন্খাংমখৈ ঈনুংলম্
থবায় পুন্নিং ঈপান্নম
চীন্দম্বন ঈরম্দম্
বান মীগী চত্নরম্
হক্চাং মখৈ তিন্সিন্ফম্
মিরেল্দি লম্পোইখিরম্
করিনো হাপোইনলম ।।

ꯁꯩꯈ ꯁꯣꯗꯥꯡꯄ

লাযরূ

লম্নাই বা লৈবাক্ বা

লৈবাক্ বা লম্নাই বা

লম্নাইগীদমক লৈবাক

লৈবাক্কীদমক লম্নাই

অমন মী হাতপ থাঙ

অমন মী কস্ব থাঙ

থাঙলোন খঙ-উরববা ।।

ꯃꯇꯦꯛ ꯃꯤꯔꯥꯡꯎ

হংজব

কৌবরু চীংজাও নহাক
সলাইলেল্ সিদবগী
মিত্মা মিংসেল্দ তাব
নপাবিহল্ মমিবা
লেম্ফু-মিত-না চীন-খদাং
লৈবাক্ল সাব মিতম
অহান মীগী হৌফম্মা ॥

ꯃꯩꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛ

লৈহাও

মীনাই মিহৌখৈ মতলু
লৌই লম সন্দোকপগখৈ
লৌইসিল্লু মালেমদগী
কৌইবীদ্রব ইঙেখালদ
মোংসোঙন লৌই চল্লকপ
থাঙজ তরেত থাঙন কোক
মৈবাযহন লৈহাও সেম্ম ।।

ꯃꯩꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛ

অসুম্ন

নিংসিংজৈ সলাই তবেত
কাউজদেনে যেক তনেত
মৈ ঈসিং নুংসিথন
চাক্ল - চাম্ল হম্লন্তু
নিংসিংজৈ পুরোন্ পাবোন্
নিংসিংজ লেংজৈ সৈবেং
পবেং , খোল্হায , তবেত্পু ।।

ꯃꯩꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛ

অচম্ - চম্দ

লেম্লে ওইদ কনা লৈ
মীচম্ মীয়াম্ ঈপাক্ত
নসোং চাওন লৈওন্ব
নমৈ হাইন নৈখাইব
কুম্মং সার লৈখোম ওই
হুম্লেন্ চিংদিন্ ওম্লক্ত
থৌদু নুঙ ওম্লকনি ।।

ꯂꯃꯜ ꯁꯤꯡꯁꯤ

লমল্ সিংসি

পোক্‌পনি মফম্‌সিদ
চাউবক্‌পনি নখোয়সু
লম্‌দম্‌সিগী লৈহাওদ
পলেম্ ঈমাসে বাবে
মরোন্ - মরাঙ তাক্লক্লে
চাক্লি চাক্‌মল্ সিংলম্‌সি
ঈগী লমল্ কাউনুসি ।।

[illegible]

অনৌব হুই

সীংথাই মপু নিঙ্‌বদ
থাজে ঙাক্ সেম্বদ হুই
মীন ওম্ব অনৌব হুইদি
ফাওই মমা চিক্‌পদ
খুরম্বি ঈ ওইবদ
সনাগী সেন্‌পাক্ মাংসিন্‌খি
কৈদৌঙে খম্মি ঈমাং ।।

[illegible]

মকুম্‌ মথা

ৰাক্ম মাইচৌগী খোর্‌জৈ
খুত্‌যেক খুত্‌ই খুতথাসিং
কোব্‌বেক পুযা চাকখন্নু
নকা কোব্‌বাক্‌ মন্দাবি
লাংতৗই মাল্‌হৌনবক্‌ঙৈ
খোবিচে তেক্‌হৌনবক্‌ঙৈ
মুক্‌ফু মমায চোম্নক্‌নি ।

ꯃꯇꯦꯛ ꯃꯩꯕꯪꯎ

মলয়া

মলযা মলয়া ঐ

কবিসু হুম্দোক্খিদে


নম্মৈসু চাকহন্খিদে

উফুলসু চাইখত্খিদে

সম্লাঙ্সু হায়দোক্খিদে

খোযসাওনব মালেম্সু

ঈংথহন্বতনি ঐ ।।


MANIPUR UNIVERSITY CENTRAL LIBRARY
6012/9ift

- সমাজ নী সাক উপুর লাইরিকশি।

মায়ুক্কী [illegible] কোম [illegible] খোমজিম সোরেং

হাজ্রাম লোমখ্রিহই (থাকী মচাসিং)

মশেমাংশঙ হুইদ্রোম মাঙ্গাকান

৩। শ্রীশংনী আতপপী লাইরেম্বীগী (তংখাহোম

(সোরেং) মুমাম চমু রাংলেনখোইবী

৪। এল্ডা ম রেনাপ খোম (পুৱারী সেনন)

কিশুপতিজামাং থারম্বো

৫। মাঙ্গম (খাখোম্বা কাকী মানা)